# মুস্লিম নুপীশিং ট্রিপল টলাক্কী চৎনবীদগী নাম্থোক্লবা অনৌবা লম্বী ফংলগনি ঃ *নরেন্দ্র মোদি*



***ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ৩১ ঃ***
মুস্লিম নুপীশিং মনিং মখা তম্বা য়াবগী ওইথোকপা ফিভম অমা লাকপদগী নুপীশিং অদু টলাক হায়বা অদুদগী নাম্থোকপা য়াবগী ফিভম অমা লৈরগনি।

ইং ২০১৮ অসিদা লৈবাক অসি মাঙলোমদা চঙশিন্নবা থৌশিল পায়খৎলি। লৈঙাক অসিনা ব্লেক মণি, শেঙ্গা-থুমজা অমসুং আইন কায়না লেপশিনবা লন-থুমশিং য়েংশিন্নবা অমদি টেরোরিজম লাকশিন্নবা হোৎনরি। অনৌবা চহী অসিগী খ্বাইদগী ফবা মন্ত্রদি শেমদোকপা, থবক তৌবা, অওনবা পুরকপা হায়বসিনি হায়খি।

মমাঙ চয়োলদা লোক সভানা প্রোটেক্সন ওফ মুস্লিম ৱুমেন রাইটস ওল মেরিয়েষ্ট বিল পাস তৌখ্রে। মুস্লিম ইমা অমসুং ইচন-ইচেশিং ট্রিপল টলাক্কী চৎনবীগী মখাদা অৱাবা লৈহল্লরোই। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মখা তানা হায়, জয়োটিবা ফুলে, সবিট্রি বাই, রাজা রাম মোহন রোই, ঈশ্বরচন্দ্র বিদ্যাসাগর অমসুং দয়ানন্দদা সরসপটিনা নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা পুথোক পুশিল কয়া পায়খৎলমখি। লুচিংবশিং অদুগী থৱায়না ঙসি লৈঙাক অসিনা পায়খৎলিবা নুপীশিংগী হক কন্ননবা থৌশিল অসি অপেনবা পোল্লগনি।

মুস্লিম নুপীশিংনা হজ খুভম চৎপদা মখোয়গী অহল-লমনশিং য়াওদ্রবসু চৎপা য়ারগনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়, মুস্লিম নুপীশিংনা হজ চৎননবগীদমক এপ্লাই তৌরকপা য়াগনি। চহী ৪৫ গী মথক্তা লৈবা নুপীশিংনা মখোয়গী ঙাক শেনবা মীওই য়াওদনা চৎপা য়াগনি।

লুচিংবা অদুনা হায়, নুপীশিংদা করিগীদমক অথিংবা কয়া থম্লিবনো। হীরম অসিগী মতাংদা খন্নবগী তঙাই ফদবা লৈ। লৈবাক অসিনা মনিং মখা তম্লকপা চহী ৭০ শুরবা অসি ফাওবদা করিগীদমক অথিংবা কয়া থম্লিবনো। ৱায়েল পথাপ্পা নুপীশিংগীদমক অচুম্বা ৱায়েল পীননবা খন্নখিবা লৈত্রি।

মুস্লিম লৈবাকশিংদা ইন্দিয়াদা চৎনরিবা অথিংবা অসিগুম্মা চৎনবা লৈতে। অদুম ওইনমক হজগীদমক মুস্লিম নুপী ১৩০০ না এপ্লাই তৌরকখিবা অদুদা নুংঙাইবা ফাওই। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী মুস্লিম নুপী কয়ানা হজ লাই খুরুমফম চৎননবা এপ্লাই তৌরক্লে। মরু ওইনা হজ চৎপগী মতাংদা লোটরি পাঙথোক্তুনা চৎকদবা মীওইশিং অদু পাঙথোকপগী চৎনবী অমা মমাঙঙৈদগী লৈরক্লি। মদুনা মরম ওইরগা নুপী অমনা নাইতোম চৎপা য়াবগী খুদোংচাবা ফংদে। নুপীশিংদা শক্তি পীবা হায়বা ইন্দিয়াগী অনৌবা কাঙলোন অসিগী মখাদা নুপীশিংবু মান্নবা হক ফংহন্নবা থৌশিল পায়খৎলি।

মুস্লিম নুপীশিংগীসু মখোয়গী ওইবা হক লৈ। ট্রিপল টলাক থিংবগী ৱাফম ঙসিদি লাক্লে। ফিভম কয়া অসি য়েংলগা নুপীশিংদা হেন্না শাফবা ফিভম ওইহনগদবনি। ধর্ম কাঙলূপ জাৎ অমদি চৎনবী কয়া লৈদুনসু নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা লৈহনগদবনি হায়খি।

লুচিংবা অদুনা গুরু গোভিন সিংহগী পাউতাকশিং নীংশিংলদুনা হায়, সিখ গুরু গোভিনগী ৩৫০ শুবা কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা লুচিংবা অদুনা হায়, মীওইবগী পুন্সি মরু ওইবা অমনি। মতম অমত্তদা পুন্সি অদুনা ধর্মগী ওইবা পাউতাকশিংবু লোয়নগদবনি হায়খি।

# সিদনিদা সিপ্লেন অমা তুরেলদা তাশিনখিবদা মীওই ৬ শিরে



***সিদনি, দিসেম্বর ৩১ ঃ***
অষ্ট্রেলিয়াগী সিদনিগী অৱাংলোমদা মিলোমিটর ৫০ রোম লাপ্পা লৈবা তুরেল অমদা সিপ্লেন অমা কায়দুনা তাশিনখিবদা য়ামদ্রবা মীওই ৬ শিখ্রে।

খুদোংথিবা থৌদোক অদু হাউকেসবুরি তুরেলগী কোৱালদা থোকখিবনি। পুলিসকী ডাইভরশিংনা মীওই তরুক্কী হকচাং ফংবা ঙমখি। কনফার্ম ওইদবা পাউ অমদা খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা চহী ১১ দা ঙাইরিবা নুপামচা অমা য়াওরি। অদুগা মীওই মরিদি বৃটিশ মচাশিংনি হায়রি।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না ইঞ্জিন অমখক্তমক পানবা প্লেন অদু সিদনিগী অকোয়বশিং য়েংননবা পাইখিবনি হায়রি।

প্লেন অদু করম তৌনা কায়খিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। সুপরিন্টেন্দেন্ট মাইকেল গোর্মেন্না ফোঙদোরকখিবদা খুদোংথিবা থোকখ্রবা মফম অদুদা মী থিবগী থবক মখা তানা চত্থরি। কায়খ্রবা প্লেন অদু ইঞ্জিন অমখক্তমক য়াওবনি হায়রি।

বৃটিশ ফোরেন ওফিসনা হায়, বৃটিশ কন্সুলেটকা পাউ ফাওননবা হোৎনরি। সিদনি মনাক্তা থোকখিবা খুদোংথিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা লোকেল ওথোরিটিগা পাউ ফাওননবা হোৎনরি। কন্সুলরদা মতেঙ পীননবা হোৎনরি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

মীৎনা উবশিংনা ফোঙদোরকখিবদা সিপ্লেন অদুনা তুরেল অদুগী ঈশিং ঈমায়দা ৱায়শিনখি। মদুনা মরম ওইরগা খুদোংচাদবা থোকহনখি। প্লেন অদুগী মশা অমসুং মমাঙ থংবা শরুকশিং ঈশিং মনুংদা লুপশিনখি। থৌদোক অদুবু উহৌবা নুপী অমনা লোকেল টি ভি চেনেল অমদা ফোঙদোরকখিবদা উখিবা থৌদোক অদু তমথিবা অমনি। প্লেন অদু ঈশিংদা লুপশিনখি। ফিভম অদুগী মতাংদা মতম অদুদা করিগুম্বা অমত্তা খনবা ঙমখিদে হায়রি।

ডাইভরশিংনা ঈশিং মনুংদগী প্লেন অদুগী অতেক অকায়শিং ফংবা ঙল্লবরা হায়বদু ময়েক শেংনা খঙবা ঙমদ্রি। থৌদোক অদুগী মরিক চুম্বা পাউ নিংথৌকাবা নুমিত্তদি ফংবা ঙল্লবা য়াই হায়রি।

সিদনিগী সিপ্লেনশিংনা লম কোয়বা লাকপা মীওইশিংবু লমদম অদুগী মমিং চৎলবা ওপেরা হাউস য়াওনা মফম কয়া য়েংননবগীদমক পেসেঞ্জরশিং পুদুনা পাইবগী থবক মহৌশাদগী চত্থরক্লি। লমদম অদুগী খ্বাইদগী ফজবা থোং হারবর ব্রিজ অমসুং পিট্টাৱার্টর অমদি হাউকেসবুরি তুরেলগী মফম কয়া য়েংননবগীদমক লম কোয়বা লাকপশিং অপিকপা প্লেনদা পুবগী থবক ঙল্লিঙৈ মতমদগী চত্থরকখি।

সিদনিগী সিপ্লেন অমা খুদোংথিবা থোক্কুনা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙহনখিবদা মায়কৈ কয়াদগী থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

সিপ্লেন কম্পনিগী লুচিংবা অমনা ফোঙদোরকখিবদা প্লেন তোংদুনা পাইবদা খুদোংথিবা থোক্কুনা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি। প্লেন অদুবু পাইখিবা পাইলোট অমসুং পেসেঞ্জরশিং খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রে। মদুগীদমক অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়খি।

# কাশ্মীরদা লৈবা সি আর পি এফ ট্রেনিং সেন্টরদা টেরোরিষ্টশিংনা এটেক্ট চত্থরকপদা লান্মী ৪ শিখ্রে

***জম্মু, দিসেম্বর ৩১ ঃ***
অনৌবা চহী লাকপগী হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লবা মতম অসিদা জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স (সি আর পি এফ) কী ট্রেনিং কেম্প অমদা টেরোরিষ্টশিংনা এটেক্ট চত্থরকপদা য়ামদ্রবদা সেক্যুরিটি পার্সোনেল ৪ শিখ্রে।

ঙরাং অহিং অথেংবদা চত্থরকখিবা এটেক্ট অদুগী মতুংদা সেক্যুরিটি ফোর্সনা খূৎ হনবদা টেরোরিষ্ট অনী হাৎপা ঙমখ্রে। লমদম অদুগী মফম কয়াদা সেক্যুরিটি ফোর্সনা অকনবা ওপরেসন চত্থখ্রে। এটেক্ট অদু পাকিস্থান্দা বেজ তৌবা জৈস-ই-মহম্মদনা চত্থখিবনি হায়না ক্লেম তৌরক্লি।

লালহৌলূপ অদুনা কাশ্মীর তম্পাক্তা হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী অকনবা থবক পায়খত্তুনা লাকখি। নুমীৎ মরিনিগী মমাঙদা লালহৌলূপ অদুগী মরু ওইবা লুচিংবা নুর মহম্মদ টলত্রে এলাইজ সোটানুরা খূৎ থোক্লবদা হাৎখিবা লৈখ্রে। নভেম্বর থাদা টেরোরিষ্ট অহুমসু হাৎখি। মখোয়গী মনুংদা জৈস-ই-মহম্মদকী লুচিংবা টলহর রসিদকী মমাকনুপা জৈসগী লুচিংবা মসুদ অজার য়াওখি।

নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ২ রোম তাবদা সি আর পি এফ কী ১৮৫ শুবা ট্রেনিং সেন্টর অদুদা অকনবা এটেক্ট চত্থরকখি। অহানবদা গ্রেনেট লংশিন্দুনা পোকখাইহল্লকখি। লোয়ননা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপশিল্লকখি হায়রি।

পোষ্ট অদুদা লৈবা সি আর পি এফ পার্সোনেলশিংনা খুদক্তা ওপরেসন চত্থবা হৌখি। খূৎ থোক্লবা হৌরকপগা লোয়ননা রি ইমফোর্সমেন্টশিং কৌশিনখি। খূৎ থোক্লবা অদুদা সি আর পি এফকী পার্সোনেল অমা খুদক্তা শিখি। অদুগা অহুম্মা অশোক-অপন নংখি। মখা তানা খূৎ থোক্লবগা লোয়ননা লান্মী অনী শিখি অদুগা খূৎ থোক্লরিবা মফম অদুগী বিল্ডিং মনুংদা থোকপা য়াদনা লান্মীগী ওফিসার অমা হার্দ এটেক্ট তৌদুনা শিখি হায়রি।

সি আর পি এফ কী কেম্প অদুদা অতম্মনা তার্গেদ তৌদুনা এটেক্ট অদু চত্থরকখিবনি। ইন্টিলিজেন্সকী পাউ মতুং ইন্না কেম্প অদুদা এটেক্ট চত্থরকপা য়াই হায়বগী ৱাফম মাঙজৌননা খঙহনখিবা লৈখ্রবনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোরকখি।

ইন্টিলিজেন্সকী পাউ মতুং ইন্না হৌখিবা নুমিৎ হুম্মিরোমগী মমাঙদগী টেরোরিষ্টশিংনা এটেক্ট চত্থনবা থৌরাং তৌদুনা লৈরকখি। অদুম ওইনমক খুদোংচাবা ফংখিদে। মখোয়না খুদোংচাবা হেক ফংবগা ঙসি অয়ূক অঙনবদা এটেক্ট অদু চত্থরকখিবনি হায়রি।

# জি এস টি না ইন্দিয়াগী শেল-থুমগী ফিভমদা অহোংবা অমা পুরকপা ঙমগনি ঃ *ভেঙ্কয়া নাইদু*



***কোলকটা, দিসেম্বর ৩১ ঃ***
গুদস এন্দ সার্ভিস তেক্স (জি এস টি) না ইন্দিয়াগী শেল-থুমগী ফিভমদা অহোংবা অমা পুরকপা ঙমগনি। অহানবগী ওইনা খুদোংচাদবা খরা মায়োক্লবা য়াই হায়না ভাইস প্রসিদেন্ট এম ভেঙ্কয়া নাইদুনা ঙসি ফোঙদোরকখি।

১১ শুবা গ্লোভেল ডাক্তরস সমিটকা মরী লৈননা লুচিংবা অদুনা মখা তানা হায়, ইন্দিয়াবু ফগৎহনবা হায়বসি টেক্স সিষ্টেমগা মরী লৈনরি। জি এস টি না মীয়ামদা খুদোংচাবা ফংহনগনি। নৌনা হৌদোকখ্রবা জি এস টি না মীয়ামদা খুদোংচাবা কয়া ফংহল্লি। ৱাল্ড বেঙ্কনা জি এস টি দা হৌজিক শৌগৎলক্লি। জি এস টি না লৈবাক অসিদা টেক্স লৌবগী মওং অওনবা অমা পুরক্লগনি মদুনা ইন্দিয়াগী শেল-থুমগী ফিভমদা ফগৎহনগনি। অওনবা অমা নৎত্রগা হেন্না ফবা ফিভম অমা শেমগৎনবা হোৎনবদা মীয়ামগী মতেঙ তঙায় ফদে হায়খি।

ভাইস প্রসিদেন্টনা হায়, অৱাংবা শেলয়েক মুত্থৎখিবগী মতাংদা অফবা নৎত্রগা ফত্তবা হায়বদু খন্ননিঙাই ওইদে। কনাগুম্বশিংনা হায়বা য়াই, ব্লেক মণি লাকশিন্নবনি হায়না পায়খৎখিবা শেলয়েক থিংজিনবগী থৌওং অদুগী মতুংদা শেলয়েকশিং বেঙ্কতা লাকখ্রে। অদুম ওইনমক লৈঙাক অসিনা ব্লেক মণি লাকশিন্নবা চপ চাবা থৌশিল পায়খৎখিবনি।

পায়খৎখিবা থৌশিল অদু লৈবাক অসিগী শেল-থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা পায়খৎপা অহানবা থৌশিল অমনি। নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা ইন্দিয়ানা অনৌবা শেল-থুমগী ফিভম অমদা লাকপা ঙল্লে। লোয়ননা অওনবা কয়া পুরক্লে। চহী ৩০ গী মখাদা লৈবা মীওইশিংনা অনৌবা ৱাখল্লোনশিং পাম্মী। ইন্দিয়াগী মীওই চাদা ৬৫ দি নহা ওইরিবা মীওইশিংনি। মখোয়না অওনবা অসি উবা ঙল্লি।

ভাইস প্রসিদেন্ট নাইদুনা মখা তানা হায়, থা অনীরোমগী মমাঙদা মহাক মিনিষ্টর ওইরমখি। অদুম ওইনমক মহাক রাজনিটিদগী পোত্থারে। অদুবু মীয়ামগী পুন্সিদগীদি পোত্থাবা লৈত্রি। মহাক্না মিনিষ্টর অমা ওইরিঙৈ মতমদা ফোঙদোকখিবা অদুগুম্মা ঙসিদি ৱাফম কয়া ফোঙদোকপা ঙমদ্রে। অদুম ওইনমক জি এস টি না ইন্দিয়াগী শেল-থুমগী ফিভমদা অওনবা অমা পুরক্লে হায়বসি শেংলবা ৱাফম অমনি হায়খি।

মীয়াম্মা হৌজিক হায়নরিবা ৱাফম অমদি চৎনহনখিদ্রবা শেলয়েকশিং অদু বেঙ্কতা চপ চানা হল্লকখ্রে। বেঙ্কশিংদা চৎনখিদ্রবা শেলয়েকশিং অদু হল্লকখ্রবা মতূংসিদদি ব্লেক মণি লাকশিন্নবগীদমক শেলয়েক থিংখিবনি হায়বদু অরানবা ওইরে। থিংজিনখ্রবা শেলয়েকশিং অদু চপ চানা হল্লকখিবা অদুনা পায়খৎলিবা থৌশিল অদু অচুম্বা ওইদে হায়না লৌনরি। অদুম ওইনমক লৈঙাক অসিনা পায়খৎলিবা থৌশিলশিংগী মনুংদা জি এস টি শীংথানিঙাই ওইবা অমনি। থৌশিল অদুনা লৈবাক অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবগী অচৌবা মরম অমা ওইহল্লি। লোয়ননা থৌশিল অদুনা লৈবাক অসিগী শেল-থুমগী ফিভমদা অওনবা অমা পুরকপা ঙল্লে হায়রি।

# মুম্বাইদা রেষ্টুরেন্ট মৈ চাকপগী থৌদোক থোকখ্রবা মতূং হোটেল ৭ থিংজিনখ্রে, আইন কাইনা শাগৎপা বিল্ডিং কয়া থুগায়খ্রে



***মুম্বাই, দিসেম্বর ৩১ ঃ***
ময়াই থংবা মুম্বাইদা রেষ্টুরেন্ট মৈ চাকপদা মীওই ১৪ শিখিবা অদুগা কয়ানা অশোক-অপন নংখিবা থৌদোক্কী মতূং সহর অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা আইন কাইনা শাগৎপা বিল্ডিং কয়া থুগাইখ্রে। অদুগা হোটেল ৭ থিংজিনখ্রে।

ব্রিহানমুম্বাই ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন্না ঙসি তোঙান তোঙানবা রেষ্টুরেন্ট ৬২৪ দা য়েংশিনবগী থবক চত্থখি। আইন কাইনা শেমগৎ শাগৎলম্বা মফম ৩১৪ দা লৈবা বিল্ডিং কয়া থুগাইখি। বি এম সি না হোটেল ৭ থিংজিনখি। লোয়ননা মফম অদুদা লৈরম্বা এল পি জি সিলিন্দর ৪১৭ সু ফাগৎখি হায়রি।

বি এব সি ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরকখিবদা আইন কাইনা শাগৎলম্বা স্কাইভ্যু কেফ অমসুং সোসিয়েল হায়না মমিং থোনবা রেষ্টুরেন্ট অনী থুগাইখি। লমদম অদুদা লৈবা প্রভাস হায়না খঙনবা রেষ্টুরেন্ট অমদি ট্রেনগী বোগি অমগুম শেম শাদুনা চলাইরমখি।

রেষ্টুরেন্ট অদু ইস্কাভেটর শীজিন্নদুনা মীয়াম মমাঙদা থুগাইখি। মুম্বাইগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা হোটেল কয়াসু অথিংবা থমখি।

বি এম সিগী ওফিসিয়েল লীশিং ১ রোমনা অকনবা মওংদা লমদম অদুদা লৈবা রেষ্টুরেন্টশিংদা য়েংশিনবগী থবক চত্থখি। মমাঙদা ময়াই থংবা মুম্বাইদা লৈবা রেষ্টুরেন্টশিংদা য়েংশিনবগী থবক অমত্তা চত্থরমখিদে। বি এম সি না ঙসি চান-থক্ক বা পোৎলমশিং ফংহনবা মফমশিংদা অকনবা মীৎয়েং চংখি। লোয়ননা হোটেল ৭ থিংজিনখি। ময়াই থংবা মুম্বাই খক্তদা নত্তনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা আইন কাইনা হোটেল অমসুং রেষ্টুরেন্ট কয়া হাংদুনা লৈ। ঙসিগী ওইনা অরাপ্পা মফমশিংদা লৈবা হোটেল অমসুং রেষ্টুরেন্টশিং য়েংশিনবা ঙমদ্রবসু মলদ অমসুং মুলুন্দদা লৈবা হোটেল অমসুং রেষ্টুরেন্টশিং মখা তানা য়েংশিনবগী থবক পায়খৎলগনি হায়রি।

লমদম অদুদা লৈবা হোটেল, রেষ্টুরেন্ট অমসুং বারশিং নিয়ম চুম্না হাংননবা সিবিক বোদি অদুনা খঙহনখ্রে। সিবিক বোদি অদুগী লুচিংবা অজয় মেহটানা হায়, মুম্বাইদা লৈরিবা হোটেল, রেষ্টুরেন্টশিংনা চপ চাবা নিয়ম অমগী মখাদা থবক তৌগদবনি। অদুগুম্বা রেষ্টুরেন্টশিং অদু মৈ চাক্লকপা মতমদা অশোয়-অঙাম থোকহন্দনা মীওই কয়া নাম্থোকহনখিনবা অমদি খুদোংথিবা নংহল্লোইদবা মওংদা শেম শাগদবনি। ঙরাং ময়াই থংবা মুম্বাইগী কমলা মিল কমপ্লেক্সতা লৈবা রেষ্টুরেন্ট অমা মৈ চাকপদা মীওই ১৪ গী পুন্সি মাঙখ্রে অদুগা মীওই কয়ানা অশোক-অপন নংখ্রে।

রেষ্টুরেন্ট অমসুং হোটেল মপুশিংনা খুদোংথিবা থোক্তনবা মওংদা থবক তৌগদবনি। ঙরাং মুম্বাইগী রেষ্টুরেন্ট অমদা মৈ চাকপগী থৌদোক থোকখিবা মতম অদুদা মীওই ১৫০ রোম মফম অদুদা লৈখি। মীৎনা উহৌবশিংনা ফোঙদোরকখিবদা হোটেল অদু মৈনা পুময়োম য়োমদুনা লৈবা উখি। রেষ্টুরেন্ট অদুগী মথক থংবা শরুক অদু ৱা অমসুং টরপোলিন্না কুপ্পুনা শেম শাবনি। মদুনা মরম ওইরগা মৈ অদু থুনা য়াংনা শন্দোরক্লবগী মরম ওইহনখি।

খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতূং মুম্বাই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা ময়াই থংবা মুম্বাইদা হাংলিবা রেষ্টুরেন অমসুং হোটেলশিংদা য়েংশিনবগী থবক চত্থখি। ঙসি চত্থখিবা য়েংশিনবগী থৌরম অদুদা আইন কাইনা শাগৎলম্বা বিল্ডিং কয়া ইস্কাবেতর শীজিন্নদুনা থুগাইখি অদুগা হোটেল ৭ না থিংজিনখিবনি হায়রি।



**হ্যুমেনোইদ রোবোট সোফিয়ার সাউদি আরাবিয়ানা সিটিজনসিপ পীননবা শেম শারি। ঙসি হ্যুমেনোইদ মেছিন অদুনা মেছিনশিংগা পূন্না হিংমিন্নবা অকিবা ফাওদনবা মীয়াম মমাঙদা থোক্কুনা ৱা ঙাংথিবগী শক্তম**

# সেন্টপিটর্সবক বোম্বিংদা চেন্নবা মীওই অমা ফারে

***সেন্টপিটর্সবক, দিসেম্বর ৩১ ঃ***
সেন্টপিটর্সবক্কী মী চিনবা কৈথেল অমদা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা বোম পোকখাইহনখিবা থৌদোক্তা চেন্নবনি হায়বা মীওই অমা রুসিয়ান ওথোরিটিনা ফারে।

থৌদোক অদু ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিংনা চত্থখিবনি হায়না ফোঙদোরকখিবা লৈখ্রবনি। ফেদরেন সেক্যুরিটি সার্ভিস (এফ এস পি) না হায়, ফারবা মীওই অদু তমথিবা বোম পোকখাইহনবগী থৌদোক অদুবু শিন লাংখিবা মরু ওইবা মীওই অমনি। বোম পোকখাইবগী থৌদোক অদুদা মীওই ১৩ অশোক-অপন নংখি। আই এস মিলিটেন্টশিংনা থৌদোক অদু মখোয়না চত্থখিবনি হায়না ফোঙদোরকখ্রবসু থৌদোক অদু আই এস কা মরী লৈনবগী চপ চাবা খুদম চাংদম ফংবা ঙমদ্রি হায়রি।

রুসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা থৌদোক অদু টেরোরিষ্টকী ওইবা তমথিবা থৌদোক অমনি। অদুগুম্বা টেরোরিষ্টশিং অদু চপ চাবা দন্দি পীগনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। আই এস মিলিটেন্টশিংনা রুসিয়াদগী মীওই লীশিং কয়া লূপ অদুদা য়াওননবা রিক্যুট তৌরে। প্রসিদেন্টনা লালহৌ লূপশিংদা য়াওখ্রবা মীওইশিং ময়ূমদা হল্লকপদা খুদোংথিবা অমত্তা নংহল্লোই হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

রুসিয়ানা সিরিয়াগী লালফমদা খূৎ থিংজিনখিবা অদুনা মরম ওইরগা আই এস মিলিটেন্টশিংনা রুসিয়াদা তার্গেদ তৌরক্লবগী অচৌবা মরম অমা ওইরি। রুসিয়ান ওফিসিয়েনশিংগী মতূং ইন্না মী চিনবা কৈথেল অদুদা পোকখাইখিবা বোম অদু লোকেল মেক ওইগনি।

বোম অদু টি এন টি ২০০ গ্রাম রোমগী মচাক য়াওরমখি। বোম অদু দুকান্দার অমগী পোৎ পৈফমদা থমজিল্লমখিবনি হায়না রুসিয়াগী মেদিয়ানা ফোঙদোরকখিবসু লৈখ্রে হায়রি।

# তাঞ্জানিয়ানা চর্চ থিংজিনগনি হায়না কিহনখ্রে

***দোদোমা, দিসেম্বর ৩১ ঃ***
ক্লারিকশিংনা প্রসিদেন্ট জোন মাগুফুলিগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখ্রবা মতূং তাঞ্জানিয়া ওথোরিটিনা লৈবাক অদুদা লৈবা চর্চ কয়া থিংজিনগনি হায়না কিহল্লকখ্রে।

ক্লারিক জাৎচেরি কাকোবেনা খৃষ্টমাস কুম্মৈগা মরী লৈননা লৈবাক অসি পার্টি অমগী ষ্টেট ওইথোক্লে হায়না ফোঙদোকখিবা মতূং হোম এফেয়ারস মিনিষ্ট্রিনা ধর্মগী ওর্গনাইজেসনশিংদা রাজনিটিগী ৱাফমদা য়াওরক্তনবা অকনবা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে। ক্রিটিক খরনা প্রসিদেন্টপু বুলদোজর হায়না মমিং থোল্লি। ওইরক্লিবা ফিভমশিং অদু য়েংলগা ওথোরিটিনা অকনবা ৱার্নিং অদু তৌখিবনি হায়রি।

GAS TODAY

**Khongnang Gas, Ningthoukhong**
Booking : 08/10/17
Valid : 06/10/17
Sl. No. 8401
Time : 07.30 to 09.00 a.m

সনা-সুদোকু -১০৩৯ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 2 | 8 | 5 | 6 | 4 | 7 | 3 | 1 |
| 7 | 1 | 4 | 3 | 2 | 9 | 8 | 6 | 5 |
| 3 | 6 | 5 | 7 | 8 | 1 | 2 | 4 | 9 |
| 2 | 7 | 9 | 1 | 4 | 5 | 3 | 8 | 6 |
| 8 | 3 | 1 | 6 | 7 | 2 | 5 | 9 | 4 |
| 4 | 5 | 6 | 9 | 3 | 8 | 1 | 2 | 7 |
| 6 | 4 | 3 | 8 | 5 | 7 | 9 | 1 | 2 |
| 1 | 8 | 7 | 2 | 9 | 6 | 4 | 5 | 3 |
| 5 | 9 | 2 | 4 | 1 | 3 | 6 | 7 | 8 |

# SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1040**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 7 | | | | | | 1 | |
| | | | 5 | | | | 8 | |
| | | | | 9 | 3 | | | |
| 2 | | | | 7 | | 5 | | |
| 5 | | | | | | 3 | | 6 |
| | 1 | | | | 5 | | | 9 |
| | 6 | 3 | | | 8 | | | |
| | | | | 2 | 6 | 4 | 9 | |
| | | 2 | | | | 6 | 3 | |